# শজিক অকংবা শেম্বা

ডা: সরাংথেম জেম্মারাণী

**লমদমসিদদি** শা-ষণশিংদা পীজনবা মফম খরদনা শজিক মরাং কায়না ফংলি অদুগা মফম খরদনা শজিক ফংদবগী অৱাবা অমা ওইরি। অমরোমদনা নোংজুথা মতমদনা অমুক শজিক মরাং কায়না ফংবা অদুগা নিংথমথা মতমদনা শজিক্কী অৱাবা অমুক লৈরকপা য়াওরকই। অসিগুম্বা মতমসিদা শজিকশিংসি শিল্লগা শেম্বীবা নৎত্রগা শজিক অকংবা ওইনা থম্বীবা য়াই। শজিক কংহনবা মতমদসু শজিক্কী মখোক অকনবা খুদম ওইনা হায়রবদা চুজাক্কী মখোক, চানাগী মখোক অসিনচিংবশিং অসি কনবনা মরম ওইদুনা কংবা ৱাৎলি। কংনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙই। অথোৎপা মখোকশিং খুদম ওইনা হায়রবদা হুপ, ওট, কবো নাপী, তুজোম্বী অসিনচিংবা কয়া অসি কংহল্লগা থম্বীবা য়াই।





শজিক অকংবা হায়রগা কল্লিবা শজিক খুদিংমক শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি হন্থহল্লগা কংহনবদুবুনি। মসি কংলিমতিক কোকফাই শুজা কাবগী চাং হন্থহনগনি অমদি কুইনা লীবা য়াই। কংহন্নবা কক্কদৌরিবা শজিকশিংগী ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা মাঙদনবা মপূং মরৈ ফাবগী মতমদসু মখা পোল্লি। ঙন্না শজিক কল্লগদি ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা য়াওবগী মশীং য়াম্মী অদুবু পোখোক্তি ৱাৎলি অদুগা থেংনা কল্লগদি ন্যুত্রেন্টকী চাং হন্থরগসু পোখোক হেন্না ফংই অদুবু অয়াম্বনা মপান লাক্লমদাইদা শজিক অকংবা শেম্নবা ককথৎপগীনি।

**অফবা অকংবা শজিক্কী মগুণ :**

– মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহল্লগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা ফংবা ঙম্মী। অদুবু থেংনা শজিকশিং কল্লগা শেল্লগদি শজিক্কী মখোকশিং কংশিল্লকপদা নত্তনা মরু শেম্বদা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মরুরোমদা চৎখিগনি।

– অফবা মখলগী শজিক অকংবা ওইরগদি অকংবা পাম্বীদুগী মনাশিং মশাদা তেক্তা কায়দনা লৈগনি। পাম্বীগী অয়াম্বা ন্যুত্রেন্টশিং মনাদা লৈ। মনাশিং মখোক্তগী কেনখ্রগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙগনি।

– অকংবা শজিক্কী মনাশিং শংদুনা অদুম লৈরগদি মদু অফবা শজিক অকংবনি। মনাশিং কংহন্নবা হোৎনবদা অকংবা ময়াম অমা মাঙই।

– কংহনবা মতমদসু অথোৎপা মখোক/পাম্বীনা ওইরগদি শাশিংনা চাবদা মহাও লৈনা চাবা ওইহল্লি।

– অকংবা শজিক শেম্বা মতমদা অতোপ্পা মখলগী চাবা য়াদবা পাম্বী য়াওহনলোইদবনি।

– অকংবা শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি চাদা ২০-২৩ ফাওবা লৈগনি। মনিলগী চাং ৱাংলগদি পথ্-পুমথরকপগী চাং ৱাংনা লৈগনি।

– অফবা শজিক অকংবদা উফুল-ৱাইফুল পকহনবীরোইদবনি অমদি নুংশিবা মনম চেলহন্দুনা মহাও লৈহনগনি।

**অকংবা শজিক শেম্বা :**

– অকংবা শজিক শেম্নবগীদমক থাগদৌরিবা মফমদু লৈবাক লৈহাও নিংথিনা ফবা ওইগনি। থাগদৌরিবা মরুদসু মফমদুগী মতুং ইন্না হুনগদবদুদগী হেন্না হুনবীগনি। মসিনা কুংনা হৌরবনিনা মখোয়সু থোৎনা লৈগনি।

– শজিক ককপা লোইরগা কংহনবা মতমদা শজিক্তা য়াওরিবা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙদনা লৈহন্নবা হোৎনবীগনি অমদি মনিলগী চাংসু কা হেন্না য়াওদনবা অমদি অহেনবা মনিল য়াওরগদি পথ্ পুমথহনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। কংহনবা মতমদা মনাশিংদু কেন্দনবা হোৎনবীগনি। মনাদা প্রোটিনগী চাংসি চাদা ৭০ দগী হেন্না য়াওই অমদি কেরোটিনগী চাংসু চাদা ৯০গী মথক্তা য়াওই।

– কংহনবা মতমদসু ন্যুত্রেন্ট খরদি অদুম মাঙখি। অদুবু কংহনবা মতমদা মৈশা হেন্না পীবা নৎত্রগা মনিলগী চাংসি হন্থনা লৈত্রগদি মসিদসু ন্যুত্রেন্টগী চাং হন্থহল্লি। নোংজু থা মতমদসু নোংনা মরম ওইদুনা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙহল্লি। কংহনবা মতমদা মনা শংলিমখৈ কেরোটিনগী চাং ৱাংনা য়াওবগী শক্তমনি।

– শজিকশিং কংহনবা মতমদা কংই কংদে খঙননবা অরায়বা মওং অমদা কংহনলিবা পাম্বী অমা লৌবীরগা য়োৎপী অমনা মখোক্তু হুইগৎ হুইথা তৌবা মতমদা মখু কোনলকপা তারগদি মদু কংবা য়াওদ্রিবনি হায়না লৌবীগনি অদুগা অতোপ্পা অমনা পাম্বী খরা লৌরগা খুবাক্তা হাপ্লগা শুরু শুরু নৈবা মতমদা মহি খরা থোকপা উরগদি মদুসু মনিলগী চাং ৱাংনা লৈরি হায়না লৌবগা লোয়ননা খরা শাংনা কংহনবীগনি।

– কংবা লোইবা তুংদা মফম চানা পুল্লগা শা-ষণশিংদা পীজবীগনি।

**কংহনবগী মওং :**

১) মফমদুদা কংহনবা – শজিকশিং ককপা লোইরবা তুংদা অমুক মফমদুদা অদুমক কোনশিল্লগা থম্বীগনি। শজিক ককপগী মতম অমদি লিক্লা তাশিনবনা ক্বালিটিদা অশোয়বা য়াওরকই। কল্লবা শজিকশিংদু মপূন মপূন পুল্লবা তুংদা নিংথিনা কংহনবসু য়াই। অদুবু কংহনবগী মতমদা মনাশিং কেনবগী চাং য়াম্না ৱাংই অমদি কংহনবা মতমদা কেরোটিনগী চাংসু হন্থহল্লি অমদি মনিলগী চাংসু চাদা ৪০ দুমক লৈগল্লি। অসিগুম্বা শজিক কংলি কংলি লাওরবসি মকোন মকোন কোনশিন্দুনা অমুক মখা তানা কংহনবীগনি।

২) মকোন্দা কংহনবা – কাবক কাবক কংলবা শজিকশিং মকোন মনুংদা শগাই শারগা থমদুনা কংহনবীবসু য়াই। মসিদা নুমিৎ ৭-১৪ ফাওবা নুংশিৎনা কংহনবদা চংই। অসিগুম্বা অকংবা শজিকশিং অসি শংদুনা অদুমক লৈ।

৩) খূৎশেমগী কংহনবা – খূৎশেমগী অশাবা নুংশিৎ শীজিন্নদুনা শজিক ময়াম অমসু কংহনবা য়াই। অদুবু মসি য়াম্না চাওনা তৌরগদি কান্নবা কয়া ফংদে।

৪) মতুম তারগা শেম্বা – শজিক ময়ামসি মতুম তানবা মেছিন্দা মতুম মতুম তারগা কংহনবা য়াই। মসিনা পুথোক পুশিন তৌবদা মতম চংহন্দে, থবক তৌশিনবগী মী মশীং হন্থহল্লি, ন্যুত্রেন্ট হন্থহন্দে, উফুল-ৱাইফুল কয়া পক্তে।

মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহনহৌরগদি তুং কোয়না মতম শাংনা শজিক ৱাৎলকপা মতমদসু পীজবীবা য়াই অমদি শজিক ফংদবা মফমদসু পুরগা পীজবা য়াই।

# এক্বাপোনিক্সকী থৌওং শীজিন্নদুনা ঙা য়োকপা অমদি মনা-মশিং থাবা

ডা: য়ুম্নাম বেদজিৎ সিংহ

**এক্বাপোনিক্স** হায়বা থৌওং অসি ঙা, থরোই, কোংগ্রেং অমদি খজিংনচিংবা জীব কয়া য়োকপা অমদি হাইড্রোপোনিক্স হায়বদি ঈশিংদা মনা মশিং থাবগী থৌওংগা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা অদুবুনি। হায়রিবা থৌওং অসি লম য়াম্না লৈজদবা য়ূম কুংনা লৈবা মফমশিংদসু পাঙথোকপা য়াই। য়ূমগী মনাক নকপদা ইঙ্খোল খরা লৈরবদি হায়রিবা থৌওং অসি ফজনা পাঙথোকপা য়াগনি। মসি নৎত্রবসু য়ূমগী মনুংদা এক্বারিয়ম থম্ফমদা মনা-মশিং থানবগী মফম অমা হাপ্পীদুনা অপীকপা মওংগী এক্বাপোনিক্স পাঙথোকপা য়াম্না কান্নগনি। এক্বারিয়ম থম্ফগী কান্নবা অসুক্কী মতিক লৈখ্রে। মসিগী মথক্তা মনা-মশিং থাদুনা অফবা মনা-মশিং চাবসু ফংগনি অমদি লৈতেংগী ওইনা থম্বগী কান্নবসু ফংগনি। চাউনা এক্বাপোনিক্স পায়খৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা অপীকপা মওংগী এক্বাপোনিক্স ইশা-ইশাগী য়ূমদা পায়খৎহন্নীংই।

চুম্না ঙা য়োকপা মতমদদি ঐখোয়না য়োল্লিবা ঙাশিং অদুনা থাদোরকপা মথি অমদি লেমহৌবা মচিঞ্জাকশিং অদু পুখ্রি অদুদা তুংদুনা লৈবা মরম্না পুখ্রিগী ঈশিং ফহন্দে। তৌইগুম্বসুং এক্বাপোনিক্সকী থৌওং অসিদদি হায়ড্রোপোনিক্সকী থৌওংদা ফত্তবা ঈশিংশিং অসি শীজিন্নদুনা নাইত্রিফায়িং বেক্টেরিয়াশিংনা থুগাইদুনা নাইত্রাইট ওইহল্লকই। অদুদগী নাইত্রেট ওইহল্লক্তুনা পাম্বীশিংনা লৈহাও ওইনা চূপখৎলি। ফত্তবা ঈশিংশিং অসি অসুম্না চুমথোক্লবা মতুংদা ঙা য়োল্লিবা পাত্রদা তাহন্দুনা অমুক শীজিন্নে।

হায়ড্রোপোনিক্স হায়রিবা থৌওং অসিনা ঈশিং অমদি কেমিকেল ন্যুত্রিয়েন্ট শীজিন্নদুনা লৈবাক য়াওদনা পাম্বী হৌহনবা অদুবুনি। হায়রিবা থৌওং অসিগী কান্নবা খরা থমজগে।

১) লৈবাক দরকার ওইদে।

২) পোৎথোক হেনগৎহল্লি।


৩) পেষ্টিসাইদ শীজিন্নদে।

৪) দরকার ওইবা ন্যুত্রিয়েন্টকী চাং হন্থহল্লি।

৫) অমুক শীজিন্নখিবা ঈশিং হঞ্জিন হঞ্জিন শীজিন্নবা য়াবা মরম্না ঈশিং চংবগী চাং হন্থহল্লি।



এক্বাপোনিক্স



হাইড্রোপোনিক্স

হায়ড্রোপোনিক্সকী থৌওংশিং অসি এক্বাপোনিক্সতা শীজিন্নরবসু হায়ড্রোপোনিক্সকী মথক্তা এক্বাপোনিক্সকী কান্নবা অসুক্কী মতিক লৈখ্রে।

১) হায়ড্রোপোনিক্সতা কেমিকেল ন্যুত্রিয়েন্ট শীজিন্নবা মরম্না শেল চংবগী চাং হেল্লি। তৌইগুম্বসুং এক্বাপোনিক্সতদি ঙাগী মচিঞ্জাক অমদি মথিশিং অসিনা পাম্বীগী লৈহাও ওইহনবা মরম্না শেল চংবগী চাং হন্থহল্লি।

২) মতম খরগী মতুংদা হায়ড্রোপোনিক্সতা শীজিন্নবা ঈশিংশিং অদু মহু চেনবা ঈশিং ওইরকপনা মরম ওইদুনা ঈশিং শিন্দোকপা দরকার ওইরকই। তৌইগুম্বসুং এক্বাপোনিক্সকী থৌওংদদি ঈশিং অদু চুমথোক্তুনা অফবা ঈশিং ওইহল্লকপা মরম্না ঈশিং শিন্দোকপগী দরকার ওইদে। কংশিনখিবা ঈশিংগী মহুৎ শিন্নবা ঈশিং খরা খরা হাপ্পীবদি দরকার ওই।

৩) এক্বাপোনিক্সনা হায়ড্রোপোনিক্সতগী পোৎথোক লৈবা হেল্লি।

৪) হায়ড্রোপোনিক্সতদি ঈশিংগী মগুন তোয়না চাংয়েং তৌবা দরকার ওই। তৌইগুম্বসুং এক্বাপোনিক্সতদি মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভমগুম্না মশা মতোমতা বেলেন্স তৌবা মরম্না ঈশিংগী চাংয়েং তোয়না তৌবা দরকার ওইদে।

৫) হায়ড্রোপোনিক্সকী থৌওংদদি অতাঙবা হীদাকশিং শীজিন্নে অমদি খূৎশেমগী ওইবা অকোয়বগী ফীভম অমা শেম্মী। তৌইগুম্বসুং এক্বাপোনিক্সকী থৌওংদদি ঙাগী মচিঞ্জাক অমদি মথিশিং কায়থহল্লগা লৈহাও লৈবা অমদি মহৌশাগী ওইবা অকোয়বগী ফীভম অমা শেম্বা মরম্না পোৎথোক লৈবা অমদি অফবা মখলগী মনা মশিং পুথোকপা ঙমহল্লি।

ইচম চম্বা অমদি অপীকপা এক্বাপোনিক্সকী থৌওং অমদা চংবা মচাকশিং খরা থমজগে।

১) ঙা য়োক্লবা পাত্র অসি মিংশেলগী এক্বারিয়ম ওইবা য়াই নৎত্রগা প্লাষ্টিক্কী পাত্র ওইবসু য়াই।

২) পাম্বী থানবা পাত্র অসি উনা শাবসু য়াই নৎত্রগা প্লাষ্টিক্কী ওইবসু য়াই।

৩) পাম্বীশিং থাফম ওইনবা নূং মকুপ নৎত্রগা লৈঙোই হাপ্পীবা য়াই। মসি নৎত্রবসু য়ুবী মকুগুম্বা ওইনা হাপ্পীবসু য়াই।

৪) এক্বারিয়মদগী থোক্লকপা লৈহাও লৈরবা ঈশিংশিং অদু পাম্বী থাফমদা থাদনবা পম্প অমদি পাইপ দরকার ওই। হায়রিবা অসি অপীকপা এক্বাপোনিক্সকীদমক্তদি এক্বারিয়মগী এরেটরনা ওইনা শীজিন্নবসু য়াই।

৫) হায়রিবা পাম্বী থারিবা মফমসিদগী থোক্লকপা অফবা ঈশিংশিং অদু ঙা য়োল্লিবা পাত্রদা অমুক তাহন্দুনা ঈশিংবু শিন্দোক শিঞ্জিন তৌহল্লি।

এক্বাপোনিক্সকী থৌওং অসি ইশা ইশাগী পামজবা হৈনবী ওইনা পায়খৎপীরবদি অফবা মখলগী ঙা অমদি মনা-মশিং চানবগীদক ফংবদা নত্তনা লৈতেং ওইনা শীজিন্নবগী কান্নবা কয়াসু ফংগনি। অসুম্না মীওই কয়ানা পায়খৎপীরবদি মতম খরগী মতুংদা অচৌবা মফম কয়াদা মীওই কয়ানা এক্বাপোনিক্সকী থৌওং অসিবু চাউনা পায়খৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### অথিংবা অমা থমদ্রগদি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**পৈশা** তানবদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা ষ্টেট অমা হায়বা তারবদি মণিপুরসিনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লমদমসিদা লৈবা ঐখোয়তনা থবক্তা চিলহাও থিবগী ৱানি। চিলহাওবু থিদ্রবা থবক্কী থবক ঙাক্তনি। ঐখোয়না পোংথোক্তুনা বাবুনি শাদুনা লৈরিঙৈদা মীয়ানচাশিংনা অদুমক খুদোংচাবা লৌবখিবা তাবনি। পৈশাদা খোংখুলাই চুবসিদি ঐখোয়দগীদি মখোয়না ফনা শাথিনা হেনবনি।

শিংলবনি, খঙলবনি হায়রিবা ঐখোয়না থৌ ইশম শম্বদগী পোৎ লৈবগী কেশ মেমো লৌদবা মসিমা খ্বাইদগী শোয়রবনি। কেশ মেমোনি হায়দুনা কচ্চা লৌবগী থবকসিমা কৈদৌনুংদা তৌরোইদবনি। তশেং তশেংবা পক্কাগী কেশ মেমো লৌবনা খ্বাইদগী ফরবনি। কচ্চা হায়বসিনা করিনো? পক্কা হায়বসিনা করিনো? অনীসিগী খেন্নবা অদুমক মরৈরবনি। পোৎ লৈরগা কেশ মেমো লৌদবগী থবক অসিমা দুকান্দারদুগী হরাউবীনি।

অথিংবা ময়াম অমা লৈনা লৈনা পোৎকী মমল হেনগৎনা য়োন্নবা হোৎনবা দুকান লৈতবসু নত্তে। তৌবগীবুদি লমদমসিদা মপাল্লোমদগী পুশিল্লক্লিবা হিংবদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলম ঙম্নমক শেনখায়-থুমখায় ময়াম অমা পীরবা মতুংদা য়ৌরকপা ঙাক্তনি। অদুগী হায়রুরবদি হায়রিবা মমলদু অদুমক পীথোকপবু য়ারবনি। পৈশানা পৈশা তানবা লক্ষ্মী ইমা ইবেম্মনা অদুমক চাল্লগদবনি। শুদুনা-নোমদুনা নোংমগী খূৎশুমন্দা হিংলিবা শিন্মী ঙম্নমক চাওখৎত্তবগী লাংদা অদুমক মায়োক্লনা লেনগদৌরিবনি। পোৎয়ানগী থবক্তা য়োনবসিনা শেন্দোং ফজনা লৈ হায়বসিমা মীয়ান মচাশিংগী খ্বাইদগী থাজবা হায়বদু ওইরবনি। ইম্ফাল বজারগী ময়োলদা নুমিৎ খুদিংগী য়োল্লিবা মিথাপটি মনা মীয়ান মচাশিংনা মথ্বায় তানা চাগদবা নত্তে। মসিবু পাম্না খোইজংনা শীজিন্নগদৌরিবসি লমদমসিদা পোকপা, লমদমসিদা চাওরক্লবা লৈবা-লৈতবা লৈননবা হোৎনবদা হৈথোই শিংথোইরবা ঐখোয়খক্তগীনি। শেমদোক-শাদোকপদা খুমাং চাওশিল্লবা মখোয়গী মশাদা অকিবা, তুজুংবা, নাচুংবা করিসু থওইদবনি। ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ফংই হায়বসি মখোয়গী লূ-তোংদা য়াওদুনা লৈরবনি। শিকিদগী মখায়, মখায়দগী লুপা মথং-মথং তুংশিন্দুনা মহুম ফারবা মতুংদা মওং তাবা দুকান অমা শোয়দনা ফম্নবা হোৎনরক্কদৌরিবনি। তিনশিনবগা খাইদোকপগা অনীসি তিনশিনবা হৈবা মীদুনা মমৈথংদা লুপা লাক্ষ-লাক্ষকী মপূ ওইগদৌরিবনি। খাইদোকপদা হৈনবা মহাক্তুনা মমৈদা ময়ূম-মকৈ ফাওবা খাইদোকপদগী মীগী ওইখিদৌরিবনি। খাইদোকপগা, তিনশিনবগা অনীসি মমুৎ তানা খঙদ্রবা শুরবসু-নোল্লবসু অন্ধাগী অন্ধা অদুমক ওইরগদবনি। পূম্নমকসি কদায়দগী করম তৌনা ওইরকখিবনো? ঐখোয়সি নীংতম্বা পাম্বা কনাগীসু মখা পোল্লকখিদ্রবা চাদা নাওদানি হায়দুনা লৈথোকপগী হৈনবী ওইনা মশীং য়ামখৎলকপদা করম্না থিংগদৌরিবনো ৱাদৌরি। পৈশা শীজিন্নবগী হৈনবী লৈত্রবা ঐখোয়না মখোয়বু লমদমসিদা উশিৎ-থওইদনা তৌবীবা অসি অফবা থবক্তি নত্তে। করিগুম্বা য়ক লাওবা অথিংবা অমা লৈবদা মখোয়সু দশা তাগদৌরিবনি।

পোৎয়ান তৌবদা হৈথোইরবা মখোয়না লমদমসিদগী লৌরিবা পৈশাশিং ঐনা ফমদুনা মশীং থিরুবদা ৱাখল মাঙদুনা তোক্কদবতনি। পৈশা তুংশিনবগী হৈনবী, শুবা নোম্বগী ইকায়বা, হঙ্গৈইবা লৈতনা হিংদবা য়াদে খন্দুনা হিংনবগীদমক হোৎনরিবা মখোয়দগী ঐখোয়না তম্বা য়াবা, লৌবা য়াবা য়াওদবা নত্তে। ঐখোয়গী লমদমসিদি চৎনবীদদি ফজরে, পৈশাগীদি খঙদে। মসিমক লাইচুদনবা হোৎনবদা ঐখোয়সু ঙমদনীংঙাই লৈরোই। থাজদনা নোংমা নোংমগী অসুম-অসুম হৌজিনখিবনা মমৈথংদা ঐখোয়সি কদায়দনো অমা পুল্লপ-পূন্না চৎকদৌরিবনি। থাজদবা তৌনু থাজবা শোয়দনা ওইরক্লগদবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৬**

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) খামলৌ (খ) নোইনু

২। ‘‘মেলৈ লৈস্না নুংজুম্বান/কদাম্বদি লৈনুংশি/লৈরাং লৈচল খঙদনা/মাঙগদবা পাম্মুইদা।’’ কবি চাউবনা হায়রম্বনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ‘‘ঐগী মরুপ কবি অমনা/ঐগী মরমদা হায়খি/মহাক অশাউবা কবি ওইরম্বদগী/উতোন ৱাতোন য়েংবা/নোংথক কবি ওইরক্লে।’’ নোংথক কবিনি হায়রিবসি কনাবুনো?

৪। ‘‘অরিবতবু পামজরম্বা/... পন্থৌ নঙগী কবিতানা/মশা খপ্না চবুল চবুল/ইমাঙসিদা পাইররি।’’ কবিয়ত্রী ভানুমতিনা হায়বনি। ‘পন্থৌ’ হায়রিসি কনাবুনো?

৫। ‘মোমোন নোকহৌবী সিআম’ কৌবা লমকোয় ৱারী লাইরিক অদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।